
# মিরাবাই চনুঃ ঐগী টার্গেটতি কেজি ৯০দগী হোংদ্রি, মসিগীদমক স্নেটচ টেক্নিক শেমদোক্তুনা ফগৎহনবা তাই



ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৮ (এজেন্সি)ঃ

ঐগী টার্গেটতি কেজি ৯০দগী হোংদ্রি, মসিগীদমক স্নেটচ টেক্নিক্তা শেমদোক্তুনা হেন্না ফগৎহনবা মথৌ তাই হায়না টোকিও ওলেম্পিক্স সিলভর মেডলিষ্ট ৱেঠলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুনা ফোঙদোকখ্রে।

মিরাবাই চনু ইনজুরিনা মরম ওইরগা হৌখিবা ওলেম্পিক সাইকলদা অয়েৎপা অমসুং খুৰৌ থাবা ওইখি। হান্নগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসি পেরিস ২০২৪ ওলেম্পিক্সতা ৪শুবা পোজিসন তাখ্রবা মতুংদগী কম্পিটিসন অমত্তদা শরুক য়ারক্ত্রি। অদুবু, মহাক্না স্নেটচকী টেক্নিক্তা খরা শেমদোল্লবদি মহাক্কী মার্ক অসি য়ৌবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি।

ঐহাক্কী টার্গেটদি কেজি ৯০দা অহোংবা লৈতে। ঐহাক্না ২০২৬ এসিয়ান গেমসতা মপুং ফাবা পাঙ্গলগা লোয়ননা কম্পিট তৌগনি হায়না অসমিতা ৱেঠলিফটিং লীগ হৌদোকপগা মরী লৈননা মিরাবাই চনুনা ফোঙদোকখি।

মণিপুরী ৱেঠলিফটর অসিনা কুমজা ২০১৯দগী হৌনা কেজি ৯০গী মার্ক য়ৌনবা মীৎয়েং থল্লক্লি। মহাক্না পল অসি ট্রেনিংদা পাঙথোকপা ঙমখ্রবসু কম্পিটিসন্দদি ওইথোকপা লৈত্রি। অদুবু মহাক্না তোঙান তোঙানবা টেক্নিক শীজিন্নদুনা মাইলষ্টোন অসি লাম্হোক্নবা হোৎনগদৌরি।

২০২৬ এসিয়ান গেমসকী মাঙওইননা ঐহাক্না চহী অসিগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ঐগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স উৎনবা হোৎনগনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ঐহাক্না কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা ফজনবা হোৎনগনি, পূন্নমক অসি ঐখোয়না ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তগী খঙলগনি। অদুবু থৌরাংদি স্নেটচতা কেজি ৯০ লাম্হোকপনি। মসিগী অরুস্রা অসি হৌজিক্তি জুনিয়রশিংনা ফাওবা থাঙ্গৎপা ঙমখ্রবনি। হন্দক্তা চাইনাগী জুনিয়র লিফটর অমনা স্নেটচতা কেজি ৯০গী মার্ক অসি লাম্হোকপা ঙমখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পেরিস ওলেম্পিক্সতা মিরাবাই চনু মপাঙ্গল কনবা জগা অসি ক্লিন এন্দ জর্কতনি। অদুবু গেমস অসিগী অহানবা এটেম্পতা মহাক্না কেজি ১১১ থাঙ্গৎপা ঙমখিদে অমসুং মহাক্কী ফাইনেল এটেম্পতদসু কেজি ১১৪ থাঙ্গৎপা ঙমখিদবদগী শুপ্নগী কেজি ১ শোখ্রগা গেমস অসিদা অনীরকশুবা পোদিয়ম য়ৌবগী খুদোংচাবা মাঙজখিবনি।

ক্লিন এন্দ জর্কতা মহাক্না মতম অমদা কেজি ১১৯ থাঙ্গৎলগা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থল্লবনি। অদুবু মিরাবাই চনু পেরিস গেমসকী স্নেটচ পার্ফোমেন্সতা নিংবা কায়খি। গেমস অদুদা মহাক্কী পার্সনেল বেষ্ট ওইরিবা কেজি ৮৮গা মান্ননা থাঙ্গৎখি।

ঐগী স্নেটচ ইম্প্রুভ তৌরে। মমাঙদদি ঐনা কেজি ৮৮দগী ৮৯ ফাওবা থাঙ্গৎপা ঙম্লদবনি অদুবু ওলেম্পিক্সতা কেজি ৮৮ থাঙ্গৎপা ঙমখি। মিরাবাই চনু অমসুং মহাক্কী কোচ বিজয় শর্ম্মনা স্নেটচতা হেন্না ইম্প্রুভ তৌনবা থবক কন্না তৌমিন্নরি। মহাক্কী খ্বাইদগী শোক্কনবসি এসিল্লেস হীলনি।

টেক্নিক খুদক্তা চুমথোকপা য়াদে। মসিগীদমক ঐনা মসিগীদমক হেন্না হোৎনবা মথৌ তাই অমসুং ঐগী চহীসু য়ামখৎলক্লি। স্পিদ অমসুং কম্বাইনেসননা মসি তৌবা ঙমগনি হায়না মশাগী চহী ৩১শুরবা মিরাবাই চনুনা ফোঙদোকখি।

কোচ বিজয় শর্ম্মনা হায়, কম্মনৱেল্‌ঠ চেম্পিয়ন্সিপকী ট্রাইয়েলস য়েংবদা ঐঙোন্দা অচৌবা থাজবা লৈরে। মহাক্না স্নেটচতা কেজি ৮৫ য়ান্না লায়না থাঙ্গৎলি মরম অসিনা মিরাবাইনা কেজি ৯০ লায়না লাম্হোকপা ঙমগনি খল্লি হায়না ইন্দিয়াগী চীফ কোচ অসিনা হায়খি।

মিরাবাই চনুগী ৱেঠ কেটেগোরি অসি কেজি ৪৮দা হন্থবা হায়বসি অরাইবা অমদি নত্তে। মিরাবাই চনুনা কেজি ৪৯দগী কেজি ৪৮দা হন্থবা পাল্লি। ঐগী ৱেঠ কন্ট্রোল তৌবা হায়বসি য়ান্না লুই। ঐনা কেজি ৪৯দা কম্পিট তৌরিঙৈগী ৱেঠ শীজিন্নবসি ৪৮.৫ ইস (ৱেঠ ইন মতমদা)নি। ঐহাক্কী ৱেঠ ৫০.৫ কেজিদা লেঙহন্দনা থম্বগা লোয়ননা ট্রেনিং তৌবা মথৌ তাই।

মরম অসিনা কেজি ৪৮গী ওইনা ঐনা কেজি ৪৯.৫দা ট্রেনিং তৌবদা ৱেঠ কন্ট্রোল তৌবা হায়বসি ঐগী ওইনা অচৌবা শিংনবা অমনি হায়না চনুনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী নেচরেল ৱেঠ অসি কেজি ৫০.৫গী ময়াদা লৈরি।

কোচ বিজয় শর্ম্মনা মতম পূন্নমক্তা মহাক্কী ৱেঠ এদজস তৌবদা অরুবা ওইগনি হায়না ফোঙদোক্লি। হৌখিবা চহী মঙারোম অসিদা কেজি ৪৯দা কম্পিট তৌরুরবা মতুংদা অহেনবা কেজি হাপচিনবনা মহাক্কী মসল মাঙনবগী মচাক ওইহল্লি হায়খি।

মিরাবাই চনু পেরিস ২০২৪ গেমসকী মতুং মথং থাদা অহমেদবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ চেম্পিয়ন্সিপ্তা কম্পিট তৌরগনি।

# ইন্দিয়ানা এ এফ সি অন্দর–২০ ৱুমেন’স এসিয়ান কপ ক্বালিফায়রগী শেম শাবা ওইনা উজবেকিষ্টানগা শান্নগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৮ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী অন্দর–২০ ৱুমেন’স ফুটবোল টিম্না জুলাই থাগী ৱিন্দোদা ২০২৭ এ এফ সি অন্দর–২০ এসিয়ান কপ ক্বালিফায়রগী শেম শাবা ওইনা উজবেকিষ্টানগা ইন্টরনেসনেল মেটচ অনী শান্নরগনি।

স্বিদেন হেদ কোচ জোকিম অলেজেন্দরসনগী টিম অসি ওগষ্ট থাদা শান্নগদবা ক্বালিফায়রগী শেম শারি। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা চহী অসিগী অঙনবদা পাঙথোকখিবা অন্দর–২০ পিঙ্ক লেদিস কপ্তা জে রদান, হোং কোং অমসুং রশিয়াগা শান্নখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা জোরদান অমসুং হোং কোংবু গোল অমমম চন্দুনা মায়থিবা পীখি। অদুবু অরোইবা মেটচতা রশিয়াগা শান্নবদা ০–৩দা মায়থিবা নংখি।

উজবেকিষ্টানগা শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসি সাফ অন্দর–২০ চেম্পিয়ন্সিপকী মমাঙদা লাউথোকখ্রবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ইন্দিয়া ৱিদ্রো তৌখ্রবনি। মমাঙগী ইদিসন্দা ইন্দিয়া জোইন্ট ৱিন্নর ওইখি।

মসিগী মহুত্তা ইন্দিয়ানা টাসকেন্টতা চৎতুনা উজবেকিষ্টানগা জুলাই ১৩ অমসুং ১৬তা ইন্টরনেসনেল মেটচ অনী শান্নরগনি। মসিনা ইন্দিয়ানা ম্যান্মারদা এসিয়ান কপ ক্বালিফায়রগী চৎত্রিঙৈগী অরোইবা টুর্নামেন্ট ওইরগনি।



২০২৭ এ এফ সি অন্দর–২০ এসিয়ান কপ ক্বালিফায়রদা ইন্দিয়ানা ইন্দোনেসিয়া, টুর্কমেনিষ্টান অমসুং ম্যান্মারগা শান্নগনি।

# ৱুমেন’স য়ুরো ২০২৫ঃ স্পেননা বেলজিয়মবু ৬–২দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ বিগী লীদর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



মাদ্রিদ, জুলাই ০৮ (এজেন্সি)ঃ

ৱুমেন’স য়ুরো ২০২৫গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী লীগ মেটচ অমদা স্পেননা বেলজিয়মবু ৬–২দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ লীদর ওইরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মেটচ অসি শান্নবা হৌরকপদগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন স্পেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা লাকখ্রবসু মতম খরা গোল ওন্থোকপগী খুদোংচাবা ফংখিদে। অদুবু শান্নবগী ২২শুবা মিনিটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকপা এটেক অমদা ভিক্কি লোপেজনা শেন্নকপা খুদোংচাবা অমদা টিমমেট এলেক্সিয়া পুটেল্লাসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

মিনিট ২ লৈরগা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা চথরকপা এটেক অমদা টেসা ৱুল্লরটনা শেন্নকপা খুদোংচাবা অমদা ভান হেভরমেট গোল অমা চন্দুনা ১–১দা মান্নহনখি।

স্পেনগী শান্নরোইশিংনা গোল মাঙজিল থানবা অকনবা এটেক চখদুনা লাকখি। শান্নবগী ৩৯শুবা মিনিটতা স্পেনগী ইরেনি পেরেদেসনা গোল অমা চন্দুনা অমুক হন্না মাঙজিল থাখি। অহানবা হাল্ফকী মতম লোইশিনবা ফাওবদা স্পেননা ২–১দা মাঙজিল থারগা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫১শুবা মিনিটতা বেলজিয়মগী হান্নাহ ইউলিংনা গোল অমা চন্দুনা ২–২দা মান্নহন্দুনা মেটচকী লমজেলদা অমুক য়াওশিনখি। মথংগী মিনিটতা স্পেনগী শান্নরোই ইসথর গোঞ্জালেজনা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা ৩–২দা লৈহনখি।

শান্নবগী ৬১শুবা মিনিটতা স্পেনগী অতোপ্পা শান্নরোই মেরিওনা কালদেন্টিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মাঙজিল থারম্বা মশীং হেনগৎহনখি।

মতম খরা মায়কৈ অনীনা গোল চন্নদনা লাকখ্রবা মতুং শান্নবগী ৮১শুবা মিনিটতা গোল মাঙজিল থারিবা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকপা এটেক অমদা ক্লাদিয়া পিনানা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৫–২ মাঙজিল থাহন্দুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনিট ৪ ৱাৎলিঙৈদা স্পেনগী অহানবা গোল চনখিবা এলেক্সিয়া পুটেল্লাসনা মেটচ অসিদা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিনবগা লোয়ননা বেলজিয়মবু ৬–২দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা স্বিটজরলেন্দনা আইসলেন্দবু ২–০দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসি অহানবা হাল্ফতা গোল চন্নখিদে। মেটচ অসিদা স্বিটজরলেন্দগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জেরাল্দিননা ৭৬শুবা অমসুং অলায়াহ পিলগ্রিমনা ৯০শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

# দীপ্তি শর্ম্মা টি–২০ বোল্লর রেঙ্কিংদা ২শুবা ওইখ্রে

দুবাই, জুলাই ০৮ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী স্পিন বোল্লিং ওল রাউন্দর দীপ্তি শর্ম্মা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাউথোকখিবা আই সি সি ৱুমেন‘স টি–২০ ইন্টরনেসনেল রেঙ্কিংদা থাক অমা কাখৎলগা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈখ্রে।

দীপ্তি শর্ম্মনা ওষ্ট্রেলিয়াগী অন্নাবেল সুথরলেন্দবু তুংইওইনরম্লগা রেঙ্কিংগী মকোক্তা লৈরিবা পাকিস্তানগী সাদিয়া ইকবালদগী পোইন্ট ৮ শোখরি।

মশাগী চহী ২৭শুরবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই অসি হৌখিবা চহী ৫দা টি–২০ ইন্টরনেসনেল বোল্লিংগী রেঙ্কিংদা মকোক থোংবা ১০গী মনুং চন্দুনা লাক্লি। অদুবু মহাক মকোক থোংবা পোজিসনদি অমুক্তফাওবা ফংদনা লাক্লিবনি।

হন্দক্তা ইংলেণ্ডগা শান্নখিবা অহুমশুবা টি–২০ ইন্টরনেসনেলদা ৱিকেট ৩ লৌখিবা অদুগী মতেংনা ঙসি লাউথোকখিবা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী টি–২০ ইন্টরনেসনেল বোল্লর রেঙ্কিংদা থাক হাইগৎপা ঙমখিবনি। দীপ্তি শর্ম্মা টি–২০ ইন্টরনেসনেল বোল্লর রেঙ্কিংদা মকোক থোংবা মফম কনবগী ওইথোকপা লৈরি।

আই সি সি টি–২০ ইন্টরনেসনেল বেট্টর রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী জেমিমাহ রোদ্রিগেজ মফম অনী কাখৎলগা ১২শুবদা হাইগৎখ্রে। সেরিজ অসিগী ব্রিষ্টোলদা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা মহাক্না হাল্ফ সেঞ্চুরি লৌখি।

# ৱিমৱ্লেদন ২০২৫ ঃ সবালেনকানা সিগেমুন্দ মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



লন্দন, জুলাই ০৮ (এজেন্সি)ঃ

ৱার্ল্ড নম্বর ৱান বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা জর্মনিগী লোরা সিগেমুন্দবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং মায়থিবা পীরম্লগা ৱিমৱ্লেদন ২০২৫গী ৱুমেন’স সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৱুমেন’স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা টোপ সিদেদ বেলারসকী অরিনা সবালেনকা অমসুং জর্মনিগী সিগেমুন্দনা শান্নরকপদা জর্মনিগী শান্নরোই অসিনা অহানবা সেট ৬–৪দা থোইদুনা মাঙজিল থারকখি।

মখা তাবা সেট অনী শান্নরকপদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা সবালেনকানা জর্মনিগী সিগেমুন্দবু মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদুনা ৬–২, ৬–৪দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসি সেট ২–১দা মায় পাক্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকখি।

১৩শুবা সিদেদ য়ু এসকী শান্নরোই অমান্দা এনিসিমোভাসু ঙসি শান্নখিবা ৱুমেন’স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা রশিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাল্লিয়ুচেনকাভাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–১, ৭–৬(১১–৯)দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা সিদেদ স্পেনগী কার্লোস অলকারাজনা য়ূন্থু লৈবাক বৃটেনগী কেমোরোন নোরিবু ষ্ট্রেট সেট ৬–২, ৬–৩, ৬–৩দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

৫শুবা সিদেদ য়ু এসকী টেলর ফ্রিটজসু ঙসি শান্নখিবা মেন’স সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেলদা ১৭শুবা সিদেদ রশিয়াগী কারেন খাচানোভপু ৬–৩, ৬–৪, ১–৬, ৭–৬(৭–৪)দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

নুপাগী দবলস ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী রিঙ্কি হিজিকাটা অমসুং নেদরলেন্দসকী দেবিদ পেটনা ব্রাজিলগী পেয়র মেটোস অমসুং মার্সেলো মেলোবু থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

# রেষ্টলর রীতিকা হুদা সস্পেন্দ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৮ (এজেন্সি)ঃ

পেরিস ২০২৪দা হেভিৱেঠতা কম্পিট তৌখিবা ওলেম্পিয়ান রেষ্টলর রীতিকা হুদা এন্টি–দোপিং রুল ভাইওলেট তৌবগী নেসনেল এন্টি দোপিং এজেন্সি (নাদা)না প্রোভিজনেল সস্পেন্দসন থমখ্রে।

দোপিংগী ভাইওলেসন অসি ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়মদা নেসনেল কেম্পকী সেলেক্সন ট্রাইয়েলদা থোকখিবনি। ২০২৩ ৱার্ল্ড অন্দর–২৩ চেম্পিয়ন অমসুং এসিয়ান সিলভর মেডলিষ্ট রীতিকা জুলাই ৭তা সস্পেন্দ তৌখিবনি।

রীতিকা হুদা ঙ্গেরিদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু দব্লিয়ু দব্লিয়ু রেঙ্কিং সেরিজদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ান কন্টিনজেন্টকী মেম্বর অমা ওইরিবনি। মহাক্কী এন্ট্রি অদু ৱিদ্রো তৌখ্রে।

# ভোভটেঘ, মাইরাজ ফাইনেল চঙখ্রে

লোনাটো, জুলাই ০৮ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী ভাভটেঘ সি গিল অমসুং মাইরাজ অহমদ খান ইটালিগী লোনাটোদা চথরিবা সুট্টিং ৱার্ল্ড কপকী মেন’স স্কিট কম্পিটিসন্দা ফাইনেল চঙখ্রে।

নুপাগী স্কিট কম্পিটিসন অসিগী ভাভটেঘ সিংহ গিল অমসুং মাইরাজ অহমদ খান ক্বালিফায়িং রাউন্দ ৪ লোইশিল্লবা মতুংদা চপ মান্ননা পোইন্ট ৯৮ ফংমিন্নখি।

নুপীগী স্কিট ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী গানেমট সেখোনসু পোইন্ট ৯৬ স্কোর তৌরগা ফাইনেল চঙবগী অচৌবা থাজবা লৈরি। গানেমট নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ক্বালিফায়িং রাউন্দগী অহানবদা ১০শুবা পোজিসন তাখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী রাউন্দ অনীদা শুপ্নগী টার্গেট অমখক পানখিদবদগী লীদরবোর্দতা হাইগৎলকখি। কম্পিটিসন অসিদা স্বিদেনগী ভিক্টোরিয়া লারসনগা লোয়ননা অতোপ্পা সুট্টর ৫সু পোইন্ট ৯৬ মান্ননা ফংমিন্নখি।

ওলেম্পিয়ান মহেশ্বরী চৌহান অমসুং রাইজা ধিল্লোন রাউন্দশিংদা মথংশিংনা পোইন্ট ২২ অমসুং ২৫ অদুগা ২৪ অমসুং ২৪ স্কোর তৌদুনা ২৭শুবা অমসুং ২৮শুবা পোজিসন তাখি।


## /Documents Lost

I have lost my Original Marksheet of High School Leaving Certificate Examination, 2025 bearing Roll No. 45979 conducted by Board of Secondary Education Manipur, Character Certificate issued by Heritage Convent and Reciept of admission in class XI in the same School on the way in between Heritage Convent and Khwairamband Bazar on 02-07-2025.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
**Kapildas Ongnam**
Singjamei Wangma Pebiya Pandit Leikai
Ph. No. 9863753346

SL/B-Chandra/9


## ক্রোসৱার্দ ৭৫৯গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | I | N | E | | D | A | T | E | | E | B | B | E | D |
| I | R | A | N | | E | W | E | R | | A | L | I | V | E |
| T | O | P | D | O | L | L | A | R | | S | A | T | I | N |
| E | N | S | U | R | E | | S | E | A | T | B | E | L | T |
| | | | R | A | T | | E | D | G | E | | | | |
| S | T | E | E | L | E | R | | | I | R | I | S | E | S |
| N | U | N | | | | O | P | A | L | | D | O | L | L |
| A | N | T | E | | S | P | A | R | E | | O | L | E | O |
| P | I | E | R | | W | E | R | E | | | | A | C | T |
| S | C | R | A | P | E | | | A | S | S | E | R | T | S |
| | | | | S | A | N | E | | T | E | D | | | |
| A | N | I | M | A | T | O | R | | R | E | D | S | E | A |
| C | O | R | A | L | | M | A | T | E | R | I | A | L | S |
| R | E | A | L | M | | A | S | I | A | | E | L | L | A |
| E | S | S | E | S | | D | E | E | M | | S | E | E | P |


## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 685/SDC/IW(C)-I of 2025 dt. 18/06/2025

1. Yurembam Chaoba Devi W/o (late) R.K. Ruhinikumar
2. Khushmita Rajkumari D/o (L) R.K. Ruhinikumar
3. R.K. Sana W/o (L) R.K. Jiten Singh
4. Gilli Rajkumar S/o (L) R.K. Jiten Singh of Uripok Yambem Leikai

Petitioner(s)

-Vs-

Co-pattadar No. 2 (Late) Rajkumar Ruhinikumar Singh S/o (L) Dorendro Singh of Uripok Yambem Leikai
Co-pattadar No. 3 (Late) Rajkumar Jiten Singh S/o -Do- of -Do-

O.P. (s)

### /NOTICE

Lamphel, the 8th July, 2025

Under Sect. 46(2) of MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Co-pattadar No. 2 (Late) Rajkumar Ruhinikumar Singh S/o (L) Dorendro Singh & Co-pattadar No. 3 (Late) Rajkumar Jiten Singh S/o -Do- of -Do- গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর 88-Lalambung অরিবা পাট্টা নম্বর 308(Old) অনৌবা পাট্টা নং 857/2273 (New) দাগ নং 3314/3609 অমসুং এরিয়ানা 0.02530 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central-I) উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্নে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Poirei/9



## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 527/SDC/IW(C)-II of 2025 dt. 13/12/2024

1. Soibam Shreela D/o (L) Soibam Ibotombi Singh W/o Haorungbam Ojitkumar Singh of Kongbam Nongthongbam Leikai
2. Soibam Sangita D/o -do- W/o Khumukcham Baru of Tera C-PAT Opposite
3. Soibam Bindu W/o (L) Soibam Babulu Singh of Singjamei Thongam Leikai Lane No. 3.
   a. Soibam Rabina D/o (L) Soibam Babalu Singh of -Do-
4. Soibam Sujeta D/o (L) Soibam Ibotombi Singh of -Do-
5. Soibam Brojendro S/o -Do- of -Do-
6. Soibam Sarita D/o -Do- W/o Yumnam Premjit Singh of Paorabi Mayai Leikai
7. Soibam Sahena D/o -Do- W/o Ningthemcha Donny Singh of Singjamei Okram Leikai

Petitioner(s)

-Vs-

(Late) Soibam Ibotombi Singh S/o (L) Gulamjat Singh of Singjamei Thongam Leikai Lane No. 3

O.P. (s)

### /NOTICE

Lamphel, 15th April, 2025

Under Section 46(2) of MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) Soibam Ibotombi Singh S/o (L) Gulamjat Singh গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর 48-Singjamei অরিবা পাট্টা নম্বর 621 (Old) অনৌবা পাট্টা নং 761 (New) দাগ নং 3081 অমসুং এরিয়ানা 0.02260 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central-II) উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্নে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-II

SL/Poirei/9



## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

### /NOTIFICATION

Imphal, the 7th July, 2025

No. 3(11)/1/10-HSC(Vol.-II)/ 18881: It is, hereby, notified for information to all concerned Principals/Heads of the institutions of Colleges offering +2 Courses and Higher Secondary Schools under the Council that online submission of Enrolment for Classes XI and XII to the Council in its official website (https://cohsemmanipur.nic.in) and submission of completed Registration forms for Class XI and Class XII (only for students admitted with eligibility permission in Class XII) for the Academic Session, 2025-2026 shall be done as under:

| Sl. No. | Class | Fees | Start date of online registration | Last date for online submission of Enrolment | Last date for submission of hard copies to the Council |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | XI | i. Cost of application form: Rs. 120/-<br>ii. Registration fee: Rs. 420/-<br>iii. Enrolment fee: Rs. 420/-<br>TOTAL- Rs. **960/-** | **11-07-2025** | **08-08-2025** | **18-08-2025** |
| 2 | XII | i. Enrolment fee: Rs. 420/-<br>ii. Original Certificate fee: Rs. 600/-<br>TOTAL- Rs. **1020/-**<br>***For students admitted with eligibility permission:***<br>i. Cost of application form: Rs. 120/-<br>ii. Registration fee: Rs. 420/-<br>iii. Enrolment fee: Rs. 420/-<br>iv. Original Certificate fee: Rs. 600/-<br>TOTAL- Rs. **1560/-** | **11-07-2025** | **11-08-2025** | **22-08-2025** |

The prescribed Registration Application Form can be downloaded from the Council's official website (https://cohsem.nic.in) or obtained hard copies from the Council Office.

Further, it is to inform that Institutional errors in student(s) data can be corrected on or before the last date of online submission without any fee. For correction of any mistake beyond the last date, a fee as fixed by the Council from time to time will be incurred.

Furthermore, the enrolment and registration fees for those Internally Displaced Students, if any, will be exempted. The details of the students (IDP) may be entered in the separate format provided in the above Council's website for enrolment and the completed Registration forms along with IDP certificate issued by Zonal Education Officer/Nodal Officer may also be submitted to the Council separately.

*Sd/-* (KH. ASHIKUMAR)
Secretary,
Council of Hr. Sec. Education,
Manipur

SL/B-COHSEM-Ch/9